*‘‘পুন্সিবু করম্বা শেন্দোংগী কৈথেলনো?*
*অপাম্বা পোত্তুনা ঐ ঐগী শেন্দোংনি।’’*
*- অরাম্বম সমরেন্দ্র (সনাতোম্বী)*

## খেব চীংগী চীংখোঙদা

**—নোংমাইথেম প্রেমানন্দ**

খেব চীংগী চীংখোঙদা
খোংজোম তুরেলগীদি তোর্ব্বান্দা
অথৌবশিংগী খুয়া তানফমদা
নীংশিং লৈরাং কৎলিবা
লাক্লেদো ঙসিদি খোংজোম নুমিৎ।

অতিয়াথক্তা চোংল-চোংলদুনা
চুঙ্গোয় থাঙগী জগোয় শাখিবনি
ককখিবনি বোমগী মৈনা
বৃটিশকী বোম তোপ মরক্তা
অথৌবা পাউনা ব্রজবাসিনা
কৎখিবনি থৱায় ইমাগীদমক।

অপোকপী পলেমগী য়াইফবা
থৌজালবু কোকথক্তা হাপ্তুনা
মপূং ফাদ্রিবা চীংলেনস্না
য়েক্লবশিংবু লম্বা পারল্লগা
য়াইবী থৱায় মঙামক
কৎখিবনি সনা লৈবাক ইমাগীদমক।

## খঙবীদ্রবা অথৌবশিং

**—ডা. নোংমাইথেম প্রমোদিনী**

শৈথাবীনবা লৈত্রবা
থৱায়গী মমিশিং
নীংতম লানগী অথৌবশিং
কোইপাই পাইরি
তরং মালংদা।
তেংথারি লেপ্লাইদনা
য়ৈরি খোন্থাং
চীংয়া তময়া
লৌবুক-লম্ফাং
তন্লি মপাউ
খঙবীদ্রবা অথৌবশিংগী।

## অওনবা খোঙচৎ অমা

**—শ্রীকাংজম নন্দকুমার**

ঐহাক্কী ইফমদা ফংখিবা
থম্মোয়গী চৈনাদো
মহাক্কী মফমদসু ফাওরমগদ্রা।
ঙসিসু চৈনা অদুনা
কাউথোকপা ঙমদবা মখৈ
নীংশিংহন্দুনা লৈরি।
মহাক্কী ৱাহৈ অমনা
শাগৎচখিবা আশা পূন্বা
অরেম্বা ওইদুনা তোকখি।
লৈকোলগী লৈরাংলক্তা
লৈখোক লোইরবা লৈনানা
চোয়না তাদুনা লৈবা উরুরগা,
হৌখ্রবা থৌদোক অমনা
মাবু নক্লা চিংশিন্দুনা য়েংলুই।
পুন্সিগী ইনখৎলকপা মতমগী
নুংশি নুংওলগী মতমদো।
য়েংলুবা খুদিং মাতনি উরিবা,
থাজখিদ্রবা মিৎকুপ অমখক্লা
নুংশি নুংওল, অপাম নুংশি
কাইনবগী লৈইনা চিংদুনা
অরোইবা ওইখি।
ঙসিদি মতমনা পুরক্লদুনা
অনৌবা আশা, অনৌবা য়েন্নিংগা লোয়নননা
বসন্ত লৈকোলগী লৈরাংলক্তা
মচু মমেন কয়াগী কুরাকশিংনা
পাইরিবদো মুনা মুনা য়েংলুরি।

## বসন্ত লৈকোল

**—য়েখোম তোম্বী**

লাক্লো নঙবু বসন্ত য়ৌরক্লো য়েনীংথা
ঙাইরি ঐনা অচিকপদা ইদোম তুমিন
নুমিদাংৱাই ওইরকপা বসন্তগী লৈকোন্দা।


লৈকোলগী লৈরাং কয়ানসু ঙাইরিয়ে
পোম্বী চেক্লা কয়ানসু ঙাইরিয়ে
ঐনসু নঙনা লাকপা ঙাইরিয়ে।

কালেন থাসু হৌখ্রে চাক্লা
নোংজু থাসু চৎখ্রে তপ্লা
নীংথম থাসু লোইখ্রে ৱানা।

নৌনা য়েনীং হুলহল্লো মালেম ইমাসে
হৈপাল কয়াসু চরোং চুম্না পালহল্লো
লৈকোলগী লৈরাং কয়াসু লৈকা-ফনা শাৎহল্লো।

ফাইরেন থাগী লাইরেম্বী ‘বিদ্যা-লাইরেম্বী’ মীংথোনবী
হৈনৌ মপাল পামজবী, তুলসি-পত্র খোইদাজবী
লাক্লে মাসু মাগী বসন্ত লৈকোল য়েংজবা।

লাক্লো নঙবু বসন্ত য়ৌরক্লো য়েনীংথা
ঙাইরি ঐনা অচিকপদা ইদোম তুমিন
নুমিদাংৱাই ওইরকপা বসন্তগী লৈকোন্দা।



## মীনম্বা ঙাঙবা

**—খাংঙেম্বম শ্যামকিশ্বর**

ভোট খোম্বা লাকপদা
পীরোইদবদা পীনি মহায়বা
মীনম্বা ঙাঙই।

উদনা ফোন তৌরকপদা
য়ৌদনা অদু য়ৌরে মখুম্বা
মীনম্বা ঙাঙই।

নুপীনা খঙনা শাউরক্লবদা
ৱাশকশিন্নদুনা থেমজিল্লি মপূক্লিং
মীনম্বা ঙাঙই।

হায়দবা য়াদবা মীনম্বা
মীনম্বা সিবু ফরিব্রা
লাইনদি করি খল্লমনি।

## শক-চু মান্নদবা মরকসিদা

**—হসন এস**

মমিং লৈতবা ঐহাক্কী লৈবাক
ঐহাক্কী লৈবাক্কী মমিং খঙবীদবা
মমাঙদা চৎলুই ঐখোয়বু মচিনথিবনি হায়
মনীং চৎলি ঐখোয়বু ঙক্লা য়েংই
অৱাং চৎলি ঐখোয়বু থাজবীদে
মখা চৎলি ঐখোয়বু খঙবীদে
ইশাবু খঙহন্নবা হোৎনবদা
যূমলোন্নবগী মমিং পল্লদুনা
হান্না মশক তাকপা মথৌ তারি
শক-চু মান্নদবা মরকসিদা।

করম্বা জীববু মশা তাকচবদা
কনাগীবু মতেং লৌবগে
ঐখোয়না করম্বা থৱায় পানবা ওইরিবা?
ইশাগী ইশকপু শেংনা হায়জবদা
থাজবীদে, মৱা লৌবীদে
শক-চু মান্নদবা মরকসিদা।

## ইশাগীদি অততাইনি

**—রাজেন্দ্র সারুংবা**

য়েংঙবনি থিরবনি, উরে খঙলো
পুন্সিসিদা ঐগী থবক্তি ঐনা নত্তনা
কনানসু তৌবীনীংঙাই লৈরমদ্রে।

মীনা তৌবীবদো মাগী কান্ননবা ওইরম্লে
ঐগীদমক্তদি খরখক্তমক দশাগী ওইহল্লম্লে
নুংশিবীদুনা তৌবা ওইরমদ্রে পৈশাগীতা ওইরম্লে।

পোলোইদা খঙলক্লে তাৎ ঙাক্তা ওইরম্লে
অদুনা হৌজিক্তি খঙজিল্লসে ঐগী থবক্তি
ইশানা তৌজবা ইশানা য়েংশিঞ্জবনা মফরে।

ইচাসু ঙাই ইশুশু ঙাই মরূপসু মঙাই
কান্নবা খরা য়াওদ্রবদি খরচকা তৌদ্রবদি
কনাসু ঐগীদমক তৌবিবা হোৎনবিবা লৈরমদ্রে।

ভোটতা খঙবীরেদনা খরা পীরম্বদো
তাৎ-পাৎ ঙাক্তনি
ঐগী কাননবা নত্তে মী লৈবনি মী লৈবনি।

খঙজিনবীরো নীংশিংবীরো অরোইবদদি
ইতোমতনি ঐগীদি ইশাগীদি অততাইনি
পোলোইদদি চেনবা য়াদবা ইশাতনি।

## ফল তাদ্রবা অঙ্ক

**—মোইরাংথেম কুলচন্দ্র**

অঙ্ক হৈবা তোলেন
খায়দোক খায়জিন
তৌই,
অঙ্ক ফল তানবা।

ফলনা মতাদ্রবদা
কেন্দিদেট খোম্নে
হুমাং কাংই
পীজ-পীথক নীংশিংই।

ঙসিদি চাকসু লাংলরোই
চাসু লোল্লরোই
ভোট থিবা নুমিৎনি।

মার-মারদুনা
কাঙবু-কাঙবু চুংশিন্নে
ইলেক্টোরেল রোল ফাক্তুনা
ফল তাদ্রে
নখোয় লোয়না হনখ্রো
চাব য়াবা চাখ্রে
থকপা য়াবা থকখ্রে।

নাকলদগী ’মনা
তপ্পা মোঙ হাদনা
থৌগল তৌবা হায়’দো
অসিনি খোম্নে।

## মঙাল য়াওদ্রবা থাজ

**—এস ঐচ শান্তিবলা**

থেংলসু থেংনা
থেংলসু থেংনা ঙাইখি ঐনা
থোক্লককখিবদো থাজ নঙনা
থারবা লৈচিলগী কুয়োম্লংদৈ।
শাংলবা নীংথমগী অহিংদুগী
অমুক লোইনায়দ্রবা মীকুপশিংদো
মশীং থির-থিরদুনা
অহিং মমৈ ওইরকপদা ।
মীৎশেল খাংবদা চোকথরবা
মীৎসিনা উখি
থোরকখিবদো নঙনা
রাহুনা নশাপূম্বা উল্লবা
মঙাল য়াওদ্রবা থাজ ওইনা।

## নঙগীদমক

**—বাবু ইরেংবা**

ঐবু ঙাকপী শেনবীদুনা
হীদাক লাংথক কাপথোকপীদুনা
মী ওইনবা ইচিঙ্গাকসু পীজদুনা
ঐবু চাউনবা য়োকপীরকপা
ওইরেকো শুপ্নতংগী
নখোয়গী নচিঙ্গাক্কীদমক

শেন্দোংগীদমক নখোয়গী।
মসিদবু
খনৱনে পেল্লমগনি হায়বা
শিখ্রবী ঐগী থৱায়না।

# অশাবা ভুৎ

## (পুন্সিদা থেংনরকপা অৱাবা নুংঙাইবা তরাম্না ওক্কদবনি হায়রিবী অইবী অমা)




| | | |
|---|---|---|
| মমিং | ঃ | অশাবা ভুৎ |
| মখল | ঃ | শৈরেং |
| অইবী | ঃ | ডা. নির্মলা রাজকুমারী |
| ফোঙবা চহী | ঃ | ২০১৭ |
| অফোঙবা | ঃ | ইমাখোল |
| পাউদম্লিবা | ঃ | সলাম তোম্বা |

**শৈরেং** মখল অনীখক লৈ। অমনা কোক্লা ইবা, অমনা থমোয়না ইবা। অনীমক শৈরেং ঙাক্তনি। খেন্নরিবসি শৈরেংগী মশক মচু অদুদনি। খনগদৌরিবা, শাগৎকদৌরিবা পূম্বসি মীওইবগী পূক্নিংনা তৌগদৌরিবনি। পূক্নিংনা খনগদৌরিবা, শাগৎকদৌরিবসিদি শৈরেংদদি নত্তে, ৱারীমচাসুনি, নোভেলসুনি। অদুবু ৱারীমচাদা, নোভেলদা পূক্নিং থাদগদৌরিবসিদি থৌদোক্তনি, প্লোটতনি, ৱারীদনি। অদুগা শৈরেংদদি থমোয় মনুংদা ফাওরকপা Feeling ময়ামদু ৱাহৈদা ওন্থোক্লক্কদৌরিবনি। অদুনা ফিলোসোফর J.S. Mill না চুম্না হায়রম্মী, "Poetry is feeling confessing itself to itself, in moments of solitude. All poetry is of the nature of soliloquy." কনাবু কবি কৌগদগে হায়বগী মতাংদা মানা হায়, কবিদি 'a halo of feelings' লৈগদবনি। ৱাখলনা ইবা কবিবু মানা cultivated poet কৌই। অশেংবা কবিদি (genuine poet) মাগী feelings তু thought কী মতেংনা ফোঙদোকপদনি। Cultivated poet শিংদি মাগী ৱাখলশিংদু feel তৌবা নংদনা ফোঙদোকপনা অয়াম্বনি। অদুনা মানা হায়, "Wordsworth's Poetry is never bounding, never ebullient, has little even of the appearance of spontaneousness, the well is never so full that it overflows." মানা হায়রিবসি ৱার্দসৱর্থনা ইবা শৈরেংশিং থমোয়দগী পাথরকপা নত্তে, ৱাখলনা ইবনি হায়রিবনি। অদুনা মানা অসিমসু হায়, "Shelley is the very reverse of all this, where wordsworth is strong, he is weak, where wordsworth is weak, he is strong." মসিনা হায়রিবনা Shelley দি কবি অশেংবনি, থমোয়না শৈরেং ইরি অসিনি।

ঐনা ৱাফম খরসি কোইথোক্লুবগী মরমদি নির্মলাগী অনৌবা শৈরেং লাইরিক, ‘অশাবা ভুৎ’ হায়বসি পারুবদা খল্লকপা ৱাখল অদুনি। নির্মলা শৈরেং ইবা সুম সুম ফজখৎলক্লি। মাগী ‘মরোল থোকপা নূং’ পাখ্রে। অদুদগী হন্দক্কী অসিনা ফ্রি ওইনা ইবা হেল্লি। অদুগা তিন য়োৎথরগা থারকপা খোন্থা য়াম্না থেংনরে। অমতং য়েংবা য়াই, ‘‘নঙনা য়োৎফান ওইবা মতমদা খাঙঙু/নঙনা নূংথং ওইবা মতমদা য়ৈয়ু।’’ (মতম, মতম) কয়াদা ফজবা ৱাফমনো। তৌফম খঙদনা চপ লেপ্লিবা পুন্সিশিংদা হায়রিবনি। নুমিৎ খুদিংগী শেম-শাদুনা লৈয়ু হায়রিবনি। মতাং মতাংগী থবক তৌ তাক্লিবনি। পরেং অনী অসিদি নির্মলাগী পোৎ ওইনা লৈহৌরগনি। অমুকসু মানা হায়রি, নুংশিরমদবা নুংশিরকপা য়াই। অদুবু মাঙখ্রবা থাজবদি খক হল্লক্লরোই। অদুনা মানা থাজবা ঙমদ্রবা মাগী মীশক অমদা অসুম্না হায়রি, ‘‘খন্দে পুন্সিসিসু ইশাগীনি/অৱাবা কয়া অমা.../করিসু ফাওদে অৱাবা ঐঙোন্দা/...হায়রক্কনু ঐবু নুংশি হায়না/থাজবা ঙম্লোই ঐদি।’’ (মাঙখ্রবা থাজবা) মসিসু চুমদে করম হায়গনি। মসিনা লোইদ্রি নির্মলাগী খোঙচৎ। মানা থাজবা ঙমদ্রবা মীশক্তুনা মপান ফরিঙৈদা মাবু মী ওইনা খনখিদ্রগা, তুংদা লৈখা তারবা অমা অমুক ওইরক্লবা মতমদুদা মানা পেন্না হায়রি, ‘‘চহী কয়ামা নঙনা ঐবু/হিংনা হিংনা অশিবগুম লৈহনখি/হৌজিক্তি নঙনা অমুক ওইরে/হিংনা হিংনা শিবা মী/মসিনি পুন্সি।’’ (মসিনি পুন্সি) ৱাহৈ খরসিনা তাক্লি, পুন্সি হায়বসি তম্বা ঙম্বা নত্তে, খুবাক খুনমগী ৱানি। ফজবা খোন্থানি। অদুনা নির্মলানা ৱারেপ লৌজৈ, মৈ ইক্ল-ইক্লগা সনানা লংবা হেনবগুম পুন্সিসু অৱা-অনা থেংন-থেংনরগা সুম মঙাল নাইবা হেল্লক্কনি। অদুনা ঐখোয়না পুন্সিবু তরাম্না ওক্কদবনি। মসিদি আশা পুরিবী, পুন্সি মশক খঙবী অমগী ৱাঙাংনি। ফজৈ হায়নিংঙি।

অতোপ্পা নির্মলাগী মিৎয়েং অমনা নুপীদা য়েংলিবা মিৎয়েং অসিনি। মশা নুপীনি। অদুবু হেন্নসু হায়দে, ৱাৎনসু তমদে। মানা হায়রি, ‘‘নুপীনা শেল্লিবনি মালেমসি/নুপী লৈরমদ্রবা মালেমসু লৈরম্লোই।’’ মসিদি নুপী পূম্নমক্লা হায়রিবা ৱাফমনি। অনৌবা নত্তে। অদুবু নির্মলানা ৱারোইশিন পীরি, ‘‘উৎলমখিনি তাইবঙদা/ঐগী পুন্সিসিনা/নুংশিবগী খুদম ওইনা।’’ (উৎলমখিনি) ৱাফমসিদি নুপাদা শিরাপ হৈথদ্রে। নুপীগী থৌদাং মশক খঙবা ৱাহৈনি। মসিনি লৈবাক্লা তাবা য়াগদৌরিবা। অইবীগী পূক্নিংগী মরেপ উৎলিবা। মসিনা লোইদ্রি, নুপাগী তোররিংবা মচৎপুসু নির্মলানা কোগোক উৎলি। নুপা হায়বা অসিবু মানা থাজবা কৌবা লৈত্রি। মরম হায়ববু। নুপাগী থমোয়দা তাৎকী মফম চাউনা লৈ হায়রি। মানা হায়, ‘‘নুপানা অদুক থীনা কপ্পদো/ইমানা পোকতৈসু উজখিদ্রি/...অমুক ৱা ৱা লাউনরকই/বোকুলদো নুপী অমা পুরগা লাক্লে।’’ (চৎখ্রবসু মানা) মসিদা অইবীনা উৎলি, মশাগী নুপীগী শোরাৎতা মখোঙ-মখূৎ থীন্দুনা কপখিবা বোকুল শোরাৎ লোইবগা নুপী অমা পুরকপগী থৌদোক। চুম্না পাউদম্বনি নুপাগী মচৎ উত্তুনা। অদুবু অইবীগী ফজরিবদি শৈরেংসিগী অরোইবা ৱাহৈ পরেংসিনি। অইবীনা বোকুলবু শাউদে, নুপাবু চৈদে। মতৌদুদবু হায়বনি। অদুনা ইরি, ‘‘য়াই বোকুল!/বোকুল য়াই।’’ কয়াদা মরৌ লৈনা লোইশিনখ্রবা শৈরেংনো। মসিদনি নির্মলাগী তোপ-তোপ্পা মশক অমা হেক হেক উৎলক্লিবা। লৈবাক্লা কাউবা ঙম্লরোইদৌরিবা।

শৈরেংগী মিংসু পুরিবা, ‘‘অশাবা ভুৎ’’ হায়বসিসু বোকুলগী মিহুলদুদা ইবনি। ঙসি শারোই ঙারোই কিনদ্রে, অশাবা ভুৎ ঙাক্তা ঙায়রে হায়রি। মদুসু মীনা। মীদুসু নুপানা। নুপা হায়বা জাৎসি ভুৎ ওল্লে হায়রি। কদায়ফাও চুম্বগে হায়বদুনা ৱাফম অমা ওইখ্রগা, নুপীশিংগী থমোয়দা তারিবা মমি অসিদি অকিবনি। হিংবদা ৱারে, অশেংবা ভুৎতি থিবদা ফংদ্রবনি। থেংনরবসু তিনকোক, লাইকোক্লবা কৎথোক্লগা ফৈ। অদুবু অশাবা ভুৎ অসিদি ওন্থোক্লা শাথীরে হায়রে। নুপা ফহন্নীংবগী ঈঙ্গিৎ পীবা শৈরেংনি।

অইবীনা করি পাম্লি, করি ঙাইরি হায়বসিনি খঙনীংলিবা। ফনা শেংলে। মাগী ৱাখল। অফবা খুন্নাই, অফবা মালেম, অফবা মী। অহুমসিনি মাগী মঙলান। মঙফাওনবা, মঙফাওনদবা হায়বা অদুনা ইতোপ তোপ্পা ৱানি। ঙাইবদা করিসু কায়দে। ঐখোয়গী লময়ানবা জননেতাসু ‘অনৌবা দুনিয়া’ অমা ঙাইরমখি। উদনা হনখি। নির্মলাসু ঙাইরি, অহিংনা অয়ূক ওইরকপা, নুমিৎনা নোংচুপ্তা থোক্লককপা, শানা মী ওল্লকপা। মানা নীংজবা থুংবদি ওইসনু। অদুবু নুমিৎনা নোংচুপ্তা থোক্লককপা মতমদুমদি কয়া থাজদ্রে। হৌজিক হৌজিকমক অইবীনা হিংলি নুংশি মৈখাক কোন্দুনা। মসি নীংশিংবা কৌবা পোৎশক অসিননি হায়রি। হিংবগী মৈশাসু নীংশিংবনা পীরি। হিংবগী পাঙ্গলসু নীংশিংবনা পীরি হায়রি। মসিদি লৌবা য়াবা ৱানি। অইবীগী ৱাহৈদা, ‘‘লেপখ্রসু নোংজুনা/লৈহৌই চৈনাদি ঈচাউগী/কায়নখ্রবসু নঙগা ঐগা/লৈহৌই নীংশিংবদি।’’ (অরেমখাক) ফজবা প্রমাননি। ফজরিবা অমনা অদুগুম্বা মাঙখ্রবা নুংশিবদু ফনা নীংশিংদুনসু অইবীনা অমুক কল্লক্লুবদি তৌদবা অসিনি। ফিরেপ চেৎপা অসিমদি অইবগী তোপ তোপ্পা মশক অমা ওইহৌরনি। মশানা হায়রি, ‘‘অতেকপা নূংগুম্বনি ঐসু/খল্লুদ্রে নঙনা ৱাবগীসু/কল্লক্ত্রে নঙনা নুংঙাইবগীসু/তৎখ্রবনি নঙগা ঐগগী মরী/নঙনা মীরাইবীরম্বা মীৎকুপ্তুদা।’’ (তৎখ্রবা মরী) মসিনা তাক্লি, নুপা-নুপীগী মরীদি থাজনবদা শাগৎকদবনি, নুংশিবনা থৌরি ওইনা পুনগদবনি। মদুবু তৎখ্রবদা নঙনা করিদা হেনবা, ঐনা করিদা ৱাৎপা হায়বরোমদা লৈগদবনি। নুপীবু থৌনা পীবা খোঞ্জেল অমনি হায়নীংঙি। মসিনি নুপী অইবী অমদগী ঐখোয়না আশা তৌবা য়াবা। মদুমক ফংলে হায়নীংঙি।

য়ামখ্রে, পাউদম্নিংবা। অদুবু য়ারোইদৌরে। পূন্না য়েংবদা নির্মলাগী শৈরেংগী খোঙচৎ মখা শমথরকপনি। মাগী অহানবগী শৈরেং ‘মরোল থোক্লবা নূং’ হায়বদুদা থাখিবা খোন্থা ময়েং তাদ্রি। অহানবগী শৈরেংদসু হায়খ্রবনি, অৱাবা খাঙবা ঙমদবা, নূংথংগী চৈনা কিবা নূংনা কৈদৌঙৈদা মুর্ত্তি ওনবা ঙম্লোই, খোঙনেৎফম নূং ওইনা লৈগনি। অদুম্না অৱাবা খাঙবা ঙমদবা পুন্সিনা য়াইফবা পুন্সি অমা ওল্লকপা খক ঙম্লোই। হায়রিবা থিম অসিদা মখা চত্থরকপা শৈরেংশিংনি হন্দক থেংনরিবা। খূৎইদা, থিমদা মশক থোকপদি হন্দক্লা হেল্লে হায়নীংঙি। লেপহন্নীংদ্রে, খোঙহৌ খরা থেংনা চেল্লকপা ঈচেল ওইরবসু অয়ূক্কী নোংহৌদি খক ওইররোই। মখা তাবীরকউ।

# ফত্তবা মঙ

**-মুন্সি প্রেমচন্দ**

***(হান্নগী মখা চত্থজরকপা...)***

তৌফম খঙদ্রদুনা মা মনোরমানা হায়বদু মতুং ইনবনা মাগী য়াইফরনি খন্দুনা হায়রকই - ইবেম্মনা হায়বিরিবদু অচুম্বনি, মঙদু ফত্তবগী খুদমনি। মনোরমাদু সিতারগী তরাগুম মশা পূম্বা থক-থক নিক্লক্লে।

পাঞ্জিদুনা ফত্তবা খুদমগী মরমদা হায়রকই- মাগী মপূরোইবদু য়াম্না শাথিবা খুদোংথিবা অমা মায়োক্লগদৌরি, ময়ূম-মকৈ লৈররোই, লংফৈ-ইফৈদা কোয়চৎ চৎকদৌরি।

মনোরমানা ফক্লাংদা ঙাথরদুনা - হে তাইবঙ মপূ, ননাই ঐবু অৱাবদগী কনবীয়ু, অসি হায়রল্লগা ৱাখল মাঙদুনা তাখ্রে।

পাঞ্জিদু হৌজিক্তি ৱাখল তারক্লে, মঙোন্দা মীনম্লে হায়বসি মা খঙলে, মাবু থেমজিল্লদুনা হায়রকই - ঐ খুদোংথিবদুদগী ঙাকথোক্লবা পাম্বৈ অমা থিরগে। ঐঙোন্দা হামেং লাবা অমা, লোংপাল খরা অদুগা লং অহিংবা খরা পীয়ু। কুঁৱরজীগী অফবা পাউ লাক্লবা কান্দা নহাক্লা পীনীংবা দক্ষিনা খরা অদুম পীবিয়ু। থবকসি অরায়বদি নত্তে। অদুবু তাইবঙ মপূগী থৌজালদগী ওইথোক্তবা হায়বদুদি লৈতে। ইবেম্মা, ঐবু অচৌ-অচৌবা অফাওবা ডাক্তরশিংনা সার্টিফিকেট পীরবনি। দেপ্যুটি সাহেবকী মচানুপীদু য়াম্না কন্না নাই, ডাক্তরশিংনা খূৎ থারবনি। অদুবু ঐনা মন্ত্র অমা শোনবদা মমিৎ পাঙথোরকই। সেঠ চন্দুলালগী ত্রেজরীদগী পৈশা খাউ অমা মাঙখ্রে থীবা খঙদ্রে, ঐনা পুজা তৌবদা হুরানবদু খুদক্তা ফারে, মাগী মুনিমদুনা তৌবা থবকনি, খাউদু পৈশা অমত্তা ৱাত্তনা ফংলে। পাঞ্জিদুনা মানা তৌখিবা থবক ময়ামদু মথন্তা থাগৎচরি। অদুবু মনোরমাদি ৱাখল মাঙদুনা তাদুনা লৈরি।

খঙহৌদনা ফুক হৌগৎলক্লগা মুনিমবু কৌরদুনা হায়রকই- ঐগী চৎনবা শেম শাউ, নুমিদাংৱাইরমগী গাড়ীদা ঐ বুন্দেলখন্দ চৎকনি।

ষ্টেসন য়ৌরক্লবদা মনোরমানা অমরনাথতা টেলিগ্রাম থাই - ঐ লাক্লে। মানা অকোনবা থারকপা চিঠিদুদা কবরইদা লৈ হায়রকই, কবরই ফাওবগী টিকেট কক্লে। নুমিৎ কয়ানি তূপ্লত্ত্রবনি, গাড়ীদা হেক ফমথবগা তূম্নিংলক্লে। তূম্বদুদা ফত্তবা ঙাক্তা খল্লবনিনা অকিবা মঙ অমা অমুক মঙলে- মানা পাক্লবা ঈপাক অমা উই, মদুদা হি অকায়বা অমা ফেৎ-ফেৎ হাইদুনা লুফেৎ-লুফেৎ লাক্লি। মদুদা মী অমা তোংবা উই, মীদু অমরনাথনি, মকোক মরু ইফা ফারদনা, মখোঙদসু খোঙউপ তোংদে, মমিৎতগী মপিসু লেপ্পা লৈতনা জর-জর শিন্থরি। মনোরমাগী মশাদু পাখৎপা অমদি কিবনা থক-থক নিক্লি, হিদুসু লুপখিদৌরে। মা খংলাউ লাউদুনা হৌগৎলকই, মশাদু হুমাংনা পূমলুপ লুপ্লে, মথবাক্কী মিহুলদু দং-দং চোঙলি। মানা ফুক হৌগৎলগা মমায় মমিৎতু ঈশিংনা চামথোক্লে, অমুক হন্না তূপ্লরোই হায়না খল্লে। কয়াদা অকিবগী মশক ওইরবা মঙনো, হে তাইবঙ মপূ, পূম্নমক নঙগী থৌজালগী মখা পোল্লে, মাবু ঙাকপীয়ুকো। মানা থোঙনাওদা মকোক লিথোক্তুনা য়েংলুই, অতিয়াদা থৱান্মীচাকশিংনা কুফেৎ-কাফেৎ ঙাল্লি। ঘড়ী য়েংলুবদা পুং ১২ তারম্লে, অসুক কুইনা তূম্বদুদা অঙকপা অমা ফাওই। ঙসি ফাওবদা মিকুপ অমত্তা ফানা তূপ্লত্ত্রবনি। মানা লাইরিক অমা পায়খৎলগা মদুদা পূক্নিং চঙলগে খন্দুনা পাবা হৌরক্লে। তাঞ্জাদুদা প্রয়াগ য়ৌরক্লে, গাড়ী অমুক শিন্দোক্লে। মনোরমা লাইরিক্তু অমুক ফাক্তোক্লগা মখোল হৌনা পাবা হৌরকই। অদুবু নুমিৎ কয়ানি তূপ্লত্ত্রবা মমিৎতুদি মাগী ৱাখলগী মখা পোল্লু হায়বা য়াদরে, ফম্না-ফম্না উইরক্লে, মমিৎ হেক উইশিনবগা মমঙ অমমুক মঙবা হৌরক্লে।

মমঙদুদা মানা অতিয়া পক্লা ৱাংবা চীংদোল অমা উই। মদুদা হৌরিবা উপালশিংদু অপিকপা পাম্বীগুম লৈরি। অমুবা লৈচিলসু পাইরি, তাঞ্জাদুদা নোংথাংগা লোয়নননা নোং খাক্লককই, মখোলদু নাকোংসি কায়গদৌগুম তৌই। চীংদোলদুদা নুপা অমা মকোক মরু ইফা ফারদুনা ফম্লি, মাগী মমিৎতা পিগী ঈরা লেপ্তুনা শিন্থরিবদু শেংনা উবা ফংই। মনোরমাগী মশাদু নিকপা হৌরকই, নুপাদু অতৈ কনাসু নত্তে, অমরনাথনি। মা চীংদোলদুদগী কুমথনীংই অদুবু লম্বী লৈতে, অকিবনা হেনখিবনা কুচুদুসু তাইফেৎ তাইরে। খঙহৌদনা নোং খাকপগী অহৌবা মখোল অমা তারকই, লোয়নননা মৈরী অমসু উরকই অদুদগীদি অমরনাথকী শক্তমদু উখিদ্রে। মনোরমাদু অমুক হৌনা লাউদুনা হৌগৎলকই, মাগী থবাক্কী মিহুলদু খোঙজেল য়াঙনা চোঙখৎলকই, মকোক ঙাওরকই, মমিৎতগী মপি লেপ্পা লৈতনা শিন্থরকই। লেপখৎতুনা মখূৎ লোন্নরগা তাইবঙ মপূগী মফমদা খুরুমজরকই। হে তাইবঙ মপূ, নঙনা ঐবু ফত্তবা মঙ ঙাক্তা উহনবীরিবসিবু মাবু করি তৌরবজাৎনো, নঙদি তোল্ল-তারবশিংগী মপূনি হায়বদাই, ঐবু থৌজালবীয়ু, ঐ লন-থুম, সনা-লুবা মীহৌজদে, খাঙপোক্তা লৈরবসু নুংঙাইনা লেঞ্জবা ঙমজগনি, মাগী য়াইফবতনি ঐনা নীজরিবসি, ঐগী হায়জবসি তাবীয়ু।

মাগী মফমদুদা অমুক হঞ্জিন্দুনা ফমথরে। নোংঙাল্লমদাইগী পূক্নিং হুবা দৃশ্য অমদি তইং-তইংবা মালংবনা থেংবদা মশাদু খরা তেকখৎলক্লে। অহিংদু হৌখ্রে খনবদা মশাদু নুংঙাইবা অমা ফাওরকই, হৌজিক্তি মা তূম্নিংলরোই। চীংশাংশিংগী পূক্নিং হুবা দৃশ্যশিং, য়াওশিংগী শঙ্গু-শঙ্গু, শজিশিংনা চেন-চোঙবা, পাৎয়াইদা থম্বালশিংনা লৈশাৎ তম্বা পূম্নমকসি য়েংদুনা চৎলি। অদুবু খঙদে মতৌ করম্না মাগী মমিৎতু উইশিনখিবনো মা মঙ অমুক মঙলে। অমরনাথতু শগোল অমদা তোংদুনা থোং অমা লাল্লি। মখাদা ঈরৈ কল্লবা তুরেলনা ঈমায় চোন্না চেন্থরি। থোংদু ফীভম য়াম্না ফৎত্রে, শগোলদু নিংঙাই তৌদুনা মখোঙদু অমুক অমুক থাঙ্গৎলকই, অমুক অমুক চোঙখৎলকই। মনোরমাগী মখোঙ-মখূৎতু ফাজিনবগুম তৌরক্লে, মানা খোঞ্জেল হৌনা লাউরকই, শগোলদগী কুমথরো, শগোলদগী কুমথরো, মসি হায়না-হায়না মঙোললোমদা চোঙশিল্লি, মা মীকপ থোক্লে। গাড়ীদু ষ্টেসন অমগী প্লেটফোর্ম য়ৌরকপদগী খোঙজেল তপথরকই। অমরনাথতু মকোক মরু ইফা ফারদনা মখোঙদসু খোঙউপ তোংদে প্লেটফোর্মদা লেপলি। মনোরমাদু হৌজিক ফাওবা অকিবা মঙদুদা ঙাওরি, মাগী ৱাখলদা অমরনাথতু শগোলদগী তারক্লগা তুরেলদা তাশিনখিগদৌরে হায়না খল্লি। মানা মদু খামহৌগে হায়দুনা মখূৎতু তিংথোরকই, মাবু ফংদ্রবদা ৱাখল তঞ্জাই মাঙলদুনা গাড়ীগী থোঙদু হাংদোরকই লোয়নননা কুঁৱরবু য়েংদুনা মখূৎ তিংথোক্তুনা গাড়ীদগী চোঙথরকই। মা ৱাখল খংলাক-লাকই, কনাগুম্বা অমনা মাবু অতিয়াদগী মালেমদা লংথরকপগুম খল্লি, গাড়ীদু খংখাম খাম্মী, মা ৱাখল অদুম তাখিদ্রে। ষ্টেসন্দু করবই ষ্টেসননি, অমরনাথতু টেলিগ্রাম ফংবদগী মাবু ওকপা লাকপনি, গাড়ীদু দাকপুবা গাড়ীনি, কুইনা খামদে, মনোরমানা মখূৎ তিংথোরকপদুদা মাবু ওক্কে হায়না অমরনাথতু চোঙশিনবনি অদুবু নংহৌদ্রে, মাগী পুন্সি লোইরমাল্লে, মনোরমাদু নুংশিবগীদমক থৱায় থাখ্রে। হুমনি শুবা নুমিৎতা মা মকোক মরু ইফা ফারদনা, মখোঙদা খোঙউপ তোংদনা ময়ূম য়ৌরক্লে। মনোরমাগী মঙদু চুল্লে। নুংশিবা লৈত্রবা মফমদুদা করম্বা থম্মোয়না লৈনীংগনি। মাগী মাগী লৈজবা লন-থুম পূম্নমক কাশী সেবা সমিটিদা কত্থোক্লে। অদুগা মকোক মরু ইফা ফা, মখোঙদা করিমত্তা তোংদনা কোয়চৎ-চৎতুনা লৈরে, পাঞ্জিনা হায়বদুমক থোক্লে।

-হিন্দীদগী হন্দোকপা
—লৈমপোকপম বেদান্তী